LUHONG MACHAL SPECIAL
32" LED TV
+ 190LT REFRI:
+ 7.2KG W/MACHINE
= ₹ 36000
DVD/STAB./
/TATA SKY HD FREE
32" LED TV
+ 190LT REFRI:
+ 7.2KG W/MACHINE
= ₹ 37000
PANA LADY. CHINGTAM. KHOYATHONG RD.
NAMBOL. KAKCHING. THOUBAL.
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

facebook.com/sanaleibak.daily

চহি চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

RNI Regd. No. 31350/77 ₹ 3.00
E-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com

সনালৈবাক

JIRI LOURI KHONGTHANG LUP
Regd. No: Under apply from 06/06 of 2014
JIRIBAM, MANIPUR
Achumbagi Damak Ahakpa Thoudang Loubs

জিরিবামদা লৈবা লন্নাই লুপ লৌরি
খোঙথাং লুপকী অনৌবা ওফিস অমা
জিরিবামগী বাবুপরাদা শঙ্গাখিবা
থৌরমগী শক্তম অমা

সঙাই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা
ঙরাং মপাল কাংজেবুদা
পাংথোকখিবা লমদম অসিগী
মশান্নাশিং উৎপা থৌরমদা
শান্নখিবা মুক্নাগী শক্তম অমা

DVD/STAB./
/TATA SKY HD FREE
24" LED TV
+ 170LT REFRI:
+ 7KG W/MACHINE
= ₹ 30000
24" LED TV
+ 190LT (VAE203) REFRI:
+ 7KG W/MACHINE
= ₹ 30500
PANA LADY. CHINGTAM. KHOYATHONG RD.
NAMBOL. KAKCHING. THOUBAL.
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

Vol : 41 Issue : 9 Pages : 8 Website: www.sanaleibak.in Imphal, Friday, November 28, 2014 ইরাই, পোইনুগী ৬নি পানবা

অহানবা কাখল

খাথলগী চিঙ্খৈ

ঐখোয়না শেন্বা ঙমদবা পোৎ
ঐখোয়না মাংহনবগী হক
লৈতে

[illegible]

মনুংগী লমায়দা

লমায় ২ ঃ
- পাকিষ্টানদগী ইনফিলত্রেটরশং থিংননবা বিএসএফনা লেজর ৰাল শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি

লমায় ৩ ঃ
- ঙসিগী রাশি ফল
- স্পোর্টস্যুনিভর্সিটিকেবিনেটকী ৰারেপ রিভিয়ু তৌরবদি ঈরাং হৌনবা বার্তা তৌবনি লৌগনি

লমায় ৪ ঃ
- সি এমনা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শোয়দনা হাংনবা হোৎনগদবনি (এডিটোরিয়েল)

লমায় ৫ ঃ
- মমা পোক্তবীগী মচা গুইলেং (ফুঙ্গা ৰারী–মীতে ময়েক),
- সরিতাগী মতাংদা ভারত সরকারনা এআইবিএদা অপিল তৌগদৌরি

লমায় ৬ ঃ
- থোপকী অশোনবা মফম খঙদোক্লে

লমায় ৭ ঃ
- ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেটর হিয়ু লৈখিদ্রে

লমায় ৮ ঃ
- পি ৰাই দি এ অমদি এম টি এফ টি ফাইনেল শান্নরগনি

ঙসিগী অঈং-অশাগী পাউ

	খ্বাইদগী ঈংবা চাং ঃ ৮°
	খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৪°
নুমিৎ থোকপা অয়ুক পুং ৫.৩৬ নুমিৎ তাবা নুংথিল পুং ৪.২৫	নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদ ৪৯

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

লোইরেম্বা

[illegible]

ইবো, পোৎনা তাংইবা, নোইসিবু মোয়গী হাইজিনিক কাইদু ওইরবরানে



[illegible]

মাম্মা, দিপোজিৎ হঞ্জিন্নবা মথা শারিঙৈদা কনাগী কদাইদগী হাইজিনিকনোদা

নরেন্দ্র মোদিগী অছি দিন অফস্পাগী মতাংদদি লৈত্রেঃ সি পি আই

এস এন এস

ইম্ফাল নবেম্বর ২৭ঃ আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার্স এক্ট, ১৯৫৮গী মতাংদদি বি জে পি মরৈ অনি লোংলে। নরেন্দ্র মোদিগী অছি দিন অফস্পাগী মতাংদদি লৈত্রে হায়না সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট এক্সিক্যুটিব কম্মিতিগী মেম্বর এন মঙ্গিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, বি জে পিনা পার্লিয়ামেন্ট মীখলগী মেনিফেষ্টো ফোঙবদা অফস্পা লৌথোক্কনি হায়না ৰাশকখ্রবসু হৌজিক্তি পার্টি অসিগী এন দি এ সরকারদা হোম মিনিষ্টর ওইরিবা রাজনাথ সিংহনা এক্ট অসি লৌথোকপগী ৰাফম লৈতে হায়না ফোঙদোরকপা অসিনা পার্টি অসি মরৈ অনি লোংলে হায়বদু উৎলে।

অসিগুম্বা দ্রেকোনিয়ান ওইবা আইন অসি বৃটিশকী মতমদদি ওর্দিনান্স ওইনা অফস্পাগী মমা ওইবা ভারত্তা চল্লাইখিবনি। মতমদা ওর্দিনান্স অসিগী মায়োক্তঃ ভারতবাসিশিংনা ইহৌ হৌখিবনি। অদুবু বৃটিশনা থাদোক্লম্লবা মতুংদা আইন অসি লৌহৌরগা মনিং তম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইরিবা মণিপুরদা থমজিন্দুনা লাকখিবসি লাইবক থিবনি।

অসিগুম্বা আইন অসি জিবন রেদ্দি কম্মিতিনা লৌথোকখিনবা রিকমেন্দ তৌখ্রবনি। অসিগুম্বা এক্ট অসিগী মরুমদা মী কয়া হাৎখ্রে, কয়া অমনা মফম–মরাং খংহন্দনা মাংহনখ্রে। লমদমসিদা লৈরিবা লালহৌবগী ঈরাং হিংসানা ৰারোইশিংন পুরকপা ঙস্রোই হায়না ভারত সরকারনা লাউরবসু তমথিরবা হিংসা চথহল্লিবা অফস্পাবুদি লৌথোক্রোই হায়রিবসি করি শাসন্নো হংখি।

জিবন রেদ্দি কম্মিতিনা অফস্পা লৌথোকখিনবা হায়জরবসু এন দি এ সরকারনা লৌথোক্রোই হায়রিবসি নরেন্দ মোদিগী অছি দিন অফস্পাগী মতাংদদি লৈত্রে।অসিগুম্বা এক্ট অসি লৌথোক্তুনা হৌজিক চরা হেল্লিবী ইরোম চনু শর্মিলাগী পুন্সি কনগদবনি হায়খি।

মণিপুরদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবগী ৰাথোক অসিগী মতাংদা মহাক্না হায়, এন দি এ সরকার লাকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লমদম অসিগী শান্নরোইশিংনা লৈবাক অসিগী স্পোর্টসতা পীরিবা কন্ত্রিব্যুসন অসি খঙনা পীরকপা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসিগীদমক লুপা ক্রোর ১০০ খাত্তুনা থমখ্রবনি।

য়ুনিভর্সিটি অসি শাবগী লমগী মতাংদা য়াইথিবি লৌকোলদা শারগনি হায়না লেপ্লকপদা মীয়ামগী ইহৌ লাকখি। সি পি আইগী মায়কৈদগী য়ুনিভর্সিটি অসি লাকপদা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা মণিপুর সরকারনসু য়েংনবা মফমদা শাবগী মহুত্তা হান্নদা সরকারনা কন্দুনা থল্লবা মোইরাং কাংজেবুং হায়না খঙনবা মোইরাং কলেজ মনাক্কী একর ৪২০ লোম চাউবা লম অসিদা শাবীয়ু হায়খ্রবনি। হিরম অসিদা সেনিয়ার সিটিজেন মোইরাংনসু চিফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখিবা লৈখ্রে।

লমদম অসিগী ইতিহাসকা য়াম্না নক্নবা মরি লৈনবা, টুরিষ্ট সেন্টর অমদি, ৰাটর স্পোর্টসকী সেন্টর অমসু ওইরিবা মফম অসিদা শাবিয়ু। খৎনবা মফমদা শাবগী মহুত্তা শেলসু তিংলোইদবা মফমদা শাবনা অচুম্বা ওইগনি হায়খি।

ইং ২০০৫গী য়ু পি এ সরকারগী মতমদা পায়খৎলম্বা এন আর ই জি এসগী কান্নবা লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিংদা পিরি। অদুম ওইনমক এন দি এ সরকার লাকপা মতুংদগী মীয়ামগী কান্নখ্রবা স্কিমশিং অসিগী বদজেট লুপা ক্রোর ৩৪,০০০ খত্তঃংদা হন্থখি। মসি লায়রবা মীয়ামগী মায়োক্তঃ লৈবা থৌশিলনি।

লেমাই পার্টিনা থৌশিল অসিগী মায়োক্তা লৈ। লোয়ননা স্কিম অসিদা লুপা ক্রোর ৪০০০গী অহেনবা শেনফম হাপচিন্নবা রুরেল দিবলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিদা লেফ্ট পার্টিগী দি রাজানা রাজ্য সভাদা দিবেট তৌখ্রবনি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা এ আই টি য়ু সিগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা হায়, লুপা ক্রোর ১০০ চংনা শাগদৌরিবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসিগী উরেপ উয়ুং তম্বগী থবক শাগদবা মফম লৈখায় তারবা

মখা লমায় ৫ কলম ১ দা

নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর খোঙচৎ

কোরকোমনা মণিপুর পুম্বদা পুং ২৪গী কর্ফিয়ু লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ঃ ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাক্লিবা তাং ৩০ নোংমাইজিং নুমিত্তা মফম অসিদা খোঙদারকপা অসি লৈবাক্কী ওইনদি ও–মঙ্গোলগী মশক্লি। মরম অদুনা মহাক অমসুং মহাক্কী খোঙলোইশিংনা মণিপুরদা চথরিবা ক্রাইমশিং অসি য়েংলগা মোদিগী খোঙচৎ অসি কোরকোমনা কন্দেম তৌই হায়দুনা পুং ২৪ মণিপুর পুম্বদা কর্ফিয়ু লাউথোকখ্রে।

কোরকোমগী পব্লিসিটি কম্মিটিগী কনভেনরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রিবদি কর্ফিয়ু অসি তাং ২৯ অমসুং ৩০গী লোন্নবা অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা পুং ২৪ চংখগনি। কর্ফিয়ু মনুংদা অনা–লায়েং, মৈহৌ–লাংপোক থোকপদা কন্নবা ফয়ার সর্ভিস অমসুং মেদিয়াদি কোমথোক্কনি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা খোঙদাবা অসি কোরকোমনা কন্দেম তৌই। চৎলিবা থা অসিগী ১২–১৩ দা ম্যান্মারদা পাংথোকখিবা ৯শুবা ইষ্ট এসিয়া সমিটতা মহাক্না 'ইন দি ৰার্ল্ড ওফ ইন্টর্দিপেন্দেন্স এন্দ গ্লোভেলাইজেসন, দিয়ার ইজ নো ওপসন বট টু ফোল্লো ইন্টর্নেসনেল লোজ এন্দ নোর্মস.... ফোর দিস রিজন, ফোল্লোইং ইন্টর্নেসনেল লো এন্দ নোর্মস ইজ ইম্পোর্টেন্ট ....' হায়খি। অদুবু মণিপুর, ৰেসিয়া লমদম অমসুং ইন্দিয়াগী নমথবিরবা কাংলুপশিংদদি লোই চনশিনবা নুংঙাইনবা হায়দুনা চাউখৎলবা মালেমগী মীয়াম্না লাল্লে লৌথোক্লো হায়বা দ্রাকোনিয়ন লোশিং শিজিন্নদুনা খুদুম চনশিন্নবা হোৎনরি। লো অসিগী মায়োক্তঃ লৈবগী মালেমনা শক খঙনদুনা আইরন লেদি মিংথোল পীরবী ইরোম চনু শর্মিলা ঙসি ফাওবা চরা হেন্দুনা ঙমজবি থাক্তা থেংনরি। চাউখৎলবা মালেমগী মীয়াম্না লাউজরবসু শমু মথুন্দা পেনা খোংবগুম দ্রাকোনিয়ন লো ওইরিবা অফস্পা লৌথোকপা মরম চাদে হায়না শিখাং খাংদুনা লৈরি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবদি মচেৎ–মচেৎ থুগাইবা হায়বা অমগা অমগা লোয়নবা–তিন্নবা য়াদনবা ককশাবী শাদুনা থুগাইবা হৈরবা, মতাৎ হৈবা ইন্দিয়াগী লৈঙাক মপু অসিনা লমদম অসিদা য়েলহৌঙেদগী খুন্দামিন্নরিবা মীওই কাংলুপশিংদা হু কামশিন্দুনা মশেল মরক্তা য়েংথিননবা শিল্লি। জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট (১৪ জুন ২০০১) দা ৰিদাউট টেরিটোরিয়েল লিমিট হায়বা ৰাহৈ অহুম অসিগী ৰাহৌদগী জুন ১৮গী অচৌবা লৈবাক্কী ঈহৌ অমা থোকহনখি। ঙসি ফাওবসু হায়রিবা ৰাহৈ অহুম অসি থয়াইননা থমদুনা অমনা য়াওই অমনা য়াওদে হায়দুনা মীয়াম্থ ঙাওহল্লি অমদি মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা মীওই কাংলুপশিংগী মরক্তা অয়ৌবী থাক্তা নুংশিনদনবা হোৎনরি। মীওই অমা নত্রগা মীয়াম, লুপ অমনা নত্রগা লুপ ময়াম লৌতুনদুনা মণিপুরগী শক্তম থুগাইনবা তেমশিন্নরকপা খুদিংমক রাজনিতি অমসুং মিলিটরিগী পান্থৈ শিজিন্নদুনা থেংনবা হায়বা কোরকোমগী ফিরেপ অসি অহোংবা লৈত্রি অমসুং থেংনগনি হায়নসু মখা তানা ফোংদোরক্লি।

নোর্থ ইষ্ট সেক্যুরিটি এদভাইজর মনোরঞ্জন নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ঃ ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ারসকী নোর্থ ইষ্ট সেক্যুরিটি এদভাইজর ওইনা থৌ পুরিবা ডাঃ সি ঐচ মনোরঞ্জন (৫২) অপোকপা লৈখিদ্রবা ব্রজকিশ্বর ঙরাং নুমিদাং মশক খঙদবা মীওই খরনা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোক্তুনা রিমস হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৪৫ রোম তাবা অদুৰাইদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লঙ্গোল গেম ভিলেজ টাইপ–৩ ক্বার্টর অমদা থোকখিবনি। সি ঐচ মনোরঞ্জন ইম্ফালগী পীশুম নিঙোম লৈরক্তঃগীনি। হৌজিক্না গেম ভিলেজগী টাইপ–৩ ক্বার্টরদা লৈবনি। ঙরাং নুমিদাং মহাক্কী ক্বার্টরদা গন্নাগী লৈ ঈশিং চাইদুনা লৈরিঙৈদা মশক খঙদবা মীওই খরা চংলক্লগা য়াম্না নক্না য়েৎ থংবা পাম্বোমদা নোংমৈনা কাপশিল্লম্বনি। খুদক্তঃ রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখিবগা লোয়ননা ওপরেসন তৌদুনা নোংমৈ মরু অদু লৌথোকখ্রে। হৌজিক নুংশাথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি। মহাকপু করিগীদমক কনানা নোংমৈনা কাপ্লম্বনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। পুলিসনদি কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে হায়রি।

অতোপ্পা অমনা ঙসি অয়ুক পুং ৫ রোম তাবা অদুৰাইদা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মহারাবী লম্খায়দা কে জি অমারোম লুম্বা আই ই দি অমা ফিট তৌদুনা লৈরম্বা থেংনখ্রে। পাউ অসিনা হায়, ২৫শুবা অসাম রাইফলসকী কাংবু অমনা আর ও পি চৎপদা মহারাবী লমখায়গী উকু অমগী মনাক্তা বোম অদু লৈরম্বা থেংনরকপনি। খুদক্তা লম্বী থিংদুনা মী অমত্তা চংহন্দনা থল্লবা মতুং আর্মিগী বোম এক্সপার্ট টিম অমা লাক্তুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা অয়ুক পুং ৭.২০ লোম তাবা অদুৰাইদা অশোই–অঙম য়াওদনা লৌখৎখ্রে হায়রি।

মরক অসিদা মণিপুর পুলিসকী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৰাংজিং এরিয়াদা অন্দরগ্রাউন্দ কাদর খরা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী

মখা লমায় ৫ কলম ১ দা

[illegible]

[illegible]

মখা লমায় ৫ কলম ১ দা

'য়েলহৌঙৈগী মশান্নশিং হেন্না খঙহনবা চংই'

এস এন এস

ইম্ফাল নবেম্বর ২৭ঃ লমদম অসিদা ইপা ইপুশিংনা য়েলহৌঙৈদগী শান্নদুনা লাক্লবা মশান্নশিং অসি হেন্না পাক শন্না শন্দোকপা ঙম্নবা হোৎনবা তাই হায়না পব্লিক হেল্ঠ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী মিনিষ্টরসু ওইরিবা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট আই হেমোচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

সঙাই ফেষ্টিভেলগা মরি লৈননা ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা পাঙথোকখিবা ইন্দিজিনিয়স গেমস মশান্নশিং মীয়ামদা উৎপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৰারোল পীরদুনা মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, মতম অমদা লম লমগী য়েলহৌঙৈগী লৈজরক্লিবা মশান্নশিং অসি হেন্না পাক শন্না শন্দোরকপদগী ঙসিদি মালেম শিনবা থুনা শান্নরবা মশান্না কয়া ওইখ্রে।

মণিপুরগী মুক্না, মুক্না কাংজে, য়ুবীলাকপীনচিংবা মশান্না কয়া অসিসু নিংথিনা য়োকখত্তুনা মপান লমগী মীয়ামদা খংহনবা মথৌ তাই। মমাংদা পাঙথোকখিবা সঙাই ফেষ্টিভেলশিংদগী চহি অসিদনা হেন্না য়েলহৌঙৈগী মশান্নশিংদা মীৎয়েং থমদুনা চংশিল্লকপা অসি পুক্নিং থৌগৎনিঙাইনি হায়খি।

মখা লমায় ৫ কলম ৪ দা

মফম অনি ঙাক শেন্দুনা থমগদৌরে

ইম্ফাল নবেম্বর ২৭ ঃ মণিপুরগী ইতিহাসকা মরী লৈনবা মফম অনি মণিপুর এনসেন্ট এন্দ হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্ট এন্দ আর্কিওলোজিকেল সাইটস এন্দ রিমেইন্স এক্ট ১৯৭৬ কী মখাদা ঙাক শেন্দুনা থমগদৌরে।

মফমশিং অদুদি কুম্বী সেন্ট্রেল হায়স্কুলগী কেম্পসতা লৈবা মহারাজ ভাগ্যচন্দ্র অমদি চূরাচান্দ মহারাজগী মতমদা য়ুংলম্বা নুংশিং লৈরিবা লম স্কায়রফিট ১৪৪৪ অমদি মাকলং মখা লৈকায়দা লৈরিবা লম একর ৩.২৯ গী ওইবা বিহু লৌকোনগী লানবন্নি।

'ওপরেসন অরাবা মায় পাক্না চথরি'

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ঃ আইন্না থিংখ্রবা লুপ য়ু এন এল এফকী লান্মী শঙলুপ এম পি এনা আই ও এফকী মথক্তা ওপরেসন অরাবা মায় পাক্না চথরি হায়না লুপ অসিনা ফোংদোরক্লি।

লুপ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী ডাইরেক্টর ইন চার্জ এম শকহেন্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়রিবদি মরোমদোম লৈঙাকচবা মনিং তম্বা মণিপুর ওইহনবা ঙম্নবগীদমক খুৎলাই পায়দুনা আই ও এফকী মথক্তা লান্দা কয়া লেপ্তনা চথরক্লি। মাংখ্রবা মনিং তম্বা অদু হঞ্জিনদ্রিফাওবা অমদি মরোমদোম লেপচবা লৈবাক অমা ওইবা ঙমদ্রি ফাওবা লেপ্তনা চংশিনখিগনি। ওপরেসন অরাবা হায়না মিংথোনবা কোদ নেম শিজিন্নদুনা মণিপুরদা লৈরিবা মীচম মীয়াম্থ ওৎ–নৈরিবা আই ও এফকী মথক্তা লান্দা কয়া চথদুনা লাক্লি। হন্দক্তা ৫০ শুবা কুমওনগী মাংওইননা চথখিবা লান্দা খরগী মনুংদা কোইরেঙ্গৈদা বোম পোকখায়খিবা অমদি বিহাংগী লান্দা পনবা য়াই। ওপরেসন অদুনা অহানবা ওইনা এম পি এগী ব্রুমেন বোম স্কাদসু মপু ফানা শরুক য়াদুনা এম পি এ ব্রুমেন ৰিংগী মতিক মথৌনা উৎথোকপা ঙমখি হায়নসু ফোংদোরক্লি।

চৎলিবা থা অসিগী তাং৩গী নুমিদাং পুং ৮.৪০ রোম তাবদা কোইরেঙৈদা লৈবা ১৬৫শুবা টেরিটোরিয়েল আর্মিগী এ কম্পনি পোষ্টতা বোম পোকখায়হন্দুনা লান্দাখি। মদুদা বোম অনি প্লান তৌখি অদুবু অমদি শোইদুনা পোকখায়খিদে। থৌদোক অদুদা টেরিটোরিয়েল আর্মিগী ১০৭ ইঞ্জিয়ারগী লান্স নাইট জগা কৌবা এন সি ও অমা শোকপদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি, খরনা অশোক অপন নংহনখি হায়রি। মখা

মখা লমায় ৫ কলম ৩ দা

জিরি লম্বী ব্লোকেদ মতম খরগী কোমথোকখ্রে

জিরিবাম, নবেম্বর ২৭ঃ জিরিবামদা লৈবা মহৈরোই লুপ মরিনা নেসনেল হায়ৰে–৩৭ ইম্ফাল–জিরি লম্বীদা টুটেল ব্লোকেদ চথরকখিবদু ঙসিদগী মতম খরগী ওইনা কোমথোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবাম, দেসাম লোকেল কাউন্সিল, এমএসএফ স্পিসিয়েল ব্রাঞ্চ জিরিবাম অমসুং কে এস এ জিরিবাম ব্রাঞ্চকী লুচিংবশিংনা হায়, হৌখিবা তাং ২৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎ অহিং নোংয়াইদগী নেসনেল হায়ৰে–৩৭তা টুটেল ব্লোকেদ চথরকখিবনি। মণিপুর সরকারগী মায়কৈদগী এ দি সি জিরিবামদা চিঠি অমা পীরক্তুনা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না চংশিল্লম্বা খোঙজং অদু দিসেম্বর ১৫ ফাওবা কোমথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। হৌজিক এ দি সি জিরিবাম ষ্টেসন্দা লৈতবনা মরম ওইরগা জিরিবাম সব দিভিজনগী ওইনা হাপখিবা প্রাইমারি, গ্রেজুয়েট ওজা অমদি লেকচররশিংগী এগ্রিমেন্ট সাইন তৌদনা লৈরিবা অসিসু তৌরগনি অদুগা লেমহৌবা ওজা ৩০শু দিসেম্বর ১৫ ফাওবগী

মখা লমায় ৫ কলম ১ দা

! হেক্তা হায়জিনবা !

- *মখোয়গী সঙাই ফেষ্টিভেল অসিবু লোইগদৌবা কয়াম ৰাংলিগে। খরা থুনা লোইরদি ফনিদা*
- *লোইরনি নিনি হুমনিদা ঙাইরে। করিগীনো অদুক থুনা লোইশিলহন্নিংইদি।*
- *থানা না কৌথোক কৌথোক্তুনা লেপহনবসি য়াম্না তল্লবা অদুগীনি।*
- *নঙগীসি মদুতা মান্দেদা।*
- *মরম অমসু লৈরি।*
- *করিনো অদুনা ।*
- *বজার মনুংগী ভেন্দরশিংসি মথোং মরম খঙদ্রে। খরা শান্তি ওইনা নে তানা থকচনিংবা ঐখোয়দি ফরক য়াম্না তারবদো।*
- *ৰারুনু থানাগী মথৌ লোইখ্রে।*
- *অওইবরনে ফরেদা।*
- *কর্ফিয়ু লাওথোকখ্রবসিদি*
- *হোইনহে।*

নুপী অঙাংদা চৎথবা ক্রাইমগী ভিক্তিমশিংগী ইমুং মনুংগা উন্নখ্রে

ইম্ফাল নভেম্বর ২৭ঃ ইজৎ মাংহল্লবা মতুংদা মীহাৎ থিনা হাৎলগা হুন্দোক্তুনা থম্বীরম্বনি। মসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং ঐখোয়নসু থিবা ঙমজদ্রে সরকারনসু থিবীদ্রে, কপ্পা কপ্পাগা লেপ্লি, য়াম্না পেন্দে হায়বসি নত্তনা করিসু উপাই লৈতে হায়না নুপী অঙাংদা চৎথবা ক্রাইমশিংগী মনুংচন্না চৎথরকপা থৌদোক অমদা ভিক্তিম ওইখ্রবীগী ইমুংনা ফোংদোকখ্রে।

মালেমগী ওইনা ফোরনাইত ওবজার্বেসন প্রোতেক্টিং ভাইয়োলেন্স এগেনষ্ট ৱুমেনগী মণিপুরদসু ওবজার্ব তৌরদুনা ৱুমেন এক্সন ফোর দিবলপমেন্ট (ৰাদ)না ঙরাং তাং ২৬ তগীহৌদুনা থাখাই ১ চুপ্পা চৎথগদবা রে তুৱারদ স্পিদি জর্টিস হায়বা পান্দমদা–কেম্পেন অমা চৎথরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা মেদিয়াগী মীওইশিং য়াওনা ৰাদকী মীহুৎশিংনা নুপী অঙাংদা চৎথবা তোঙান–তোঙানবা থৌদোক অনিদা ভিক্তিম ওইখ্রবীশিংগী ইমুং মনুংগা উন্নখ্রে।

লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনং চন্না লৈবা ফয়েং নুঙাবম লৈকায়দগী অঙোম ওংবী চনবী(৩৮) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা খোমৈ অমদি মহাক্কী মচানুপী মেনাকাবু (১৬) য়াম্না তমথিবা মওংদা মীহাৎ থীনা হাৎলগা হুন্দোকলম্বনি। হৌজিক লৈখিদ্রবী চনবীগী ইমুং মনুংগা উন্নরুবদা চনবীগী মকুকুবোক অমুথোইনা হায়, থৌদোক অদু য়াম্না থম্মোইশোকপা থৌদোকনি। মহাক্কী মচানুপা চনবীগী মপুরোইবা খোমৈ (৩৯) ইং ২০০৪ দা ইমুং মনুংগা ভাব তান্নদবা অমদগী শুসাইদ তৌদুনা লেখিদবদগী মহাক্কী লোয়নবী চনবী অমদি মচা ৪গা হুন্দোকলমখি। মচা মরী ইবোহল (১৮), মেনাকা (১৬), সোনিকা (১৩) তিংকু (৯) অমদি রিতা (৮) নি। খ্বাইদগী অহল ওইরিবা ইবোহলদি মপা লৈখিদবা ইকুই কুইদনা

মখা লমায় ৫ কলম ৩ দা

Art No. 471
Dressing Unit with Sliding Mirror

AUTHORISED DISTRIBUTOR BHUTAN BOARD PARTICLEBOARD PRODUCTS LTD.
BEWARE OF DUPLICATE
(ONLY PARTICLEBOARD)
HOME FURNITURE
BHUTAN BOARD
PRELAMINATED.
8MM TO 35 MM
THICK AVAIABLE
ORIGINAL BHUTAN PRELAMINATED BOARD ALSO AVIALABLE AT:
1. M/S KEISHAM MART KWAKEITHEL OPP. IMPHAL COLLEGE.
2. PRIYO HARDWARE, LAMLONG BAZAR
3. NATIONAL PLY ,THANGAL BAZAR
4. ZORAN STEEL,CCPUR
5. ALBERT HARDWARE,CCPUR
M/S NEBCO AGENCY
RIMS ROAD
AP ROAD NEAR J.N. HOSPITAL
RAJBARI OPP. KUSUM OIL PUMP